জিরি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেস (জে দি ও)গী ২৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লূপ অসিবু লিংখৎলম্বা অহল লমনশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা

বি জে পি লম্লাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইরাবতকী মীৎয়েং মখাদা মন্দলগী থৌমীশিংনা সেবা হি সংঘথনগী শরুক অমা ওইনা লম্লাই এ সীদা পাক শন্না ফেস মাস্ক, সেনিটাইজর, ঈশিং অমদি অচা-অথকশিং য়েন্থোকখিবা

নম্বোল এ সীগী এম এল এ, এন লোকেননা এস কুলা ৱিমেন কোলেজদা হাংলিবা সী ঐচ আই সী, সী ঐচ সী নম্বোল অমদি পি ঐচ সী লৈমপোকপদা কোয়না চৎতুনা অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনখিবা

বি জে পি লৈঙাক্লা চহী ৭ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা বি জে পি ওইনাম মন্দলনা শীন্দুনা সেবা হি সংঘথনগী থৌরম পাঙথোক্তুনা পি পি ঈ, হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক, ওক্সিমিটর, হেন্দ গ্লোভনচিংবা এম এল এ রাধাকিশোরনা য়েন্থোকখিবা

ডোক্তরশিংগী ওনলাইন হেল্পলাইন হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :

কোভিদ রেস্পোন্স টিম সেবা ভারতি মণিপুরনা চথরকপা থৌরমশিংগী মখা তাবা ওইনা ঙসিসু ডোক্তরশিংগী ওনলাইন হেল্পলাইন অমা নেসনল মেদিকোজ ওর্গনাইজেসন (এন এম ও) মণিপুর ষ্টেটকা খুৎশম্নদুনা এন এম ওগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট থৌনাওজম নরানবাবুনা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) মণিপুরগী প্রচারক ওইরিবা ম্রিট্যুঞ্জয়না হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা অনাবশিংনা হোস্পিটালদা লায়েংবা চৎপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি খজিক্তং ওইরবসু কোকহনবদা মতেং ওইননবা অসিগুম্বা হেল্পলাইন অসি হাংদোকচবনি। মসিনা মণিপুর মীয়ামদা ওইরল্লিবা কোভিদকী ফীভম অসিদা লায়েংবদা চাউনা মতেং পাংলগনি খঞ্জে হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা আর এস এস অসাম ক্ষেত্রগী সেক্রেটরি অমসুং প্রচারক প্রমুখসু শরুক য়াখি হায়রি।

ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :

জিরি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও)গী ২৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লা য়াম্না চম্না পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা জে দি ও, জিম্পাল অমসুং কাদাগী থৌমীশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা জিরি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট এন সদানন্দা মৈতৈনা হায়খি, জে দি ওগী এগজিক্যুটিভকী মীওই খরা পুনশিন্দুনা ২৩শুবা জে দি ওগী মপোক কুমওন থৌরম অসি এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকচবনি। জিরিবামগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক ওর্গনাইজেসন অসিবু শেম্বীরম্বা অহল-লমনশিংগী মফমদসু ঈকায় খুম্নবা উৎলি। ঙসি ফাওবদা জিরিবামগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক লূপ অসিনা থৌদাং কয়া য়াদুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চান-থক্নবা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা শওম্বুং সাইরেম খুলগী ইমুং ৫৬ রোমদা সোসল ৱর্কর খাগোকপম খম্বনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চানবা পোৎলমশিং লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্লা তেংবাঙখ্রে।

অমরোমদা, খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা খুন্দ্রাকপম দিভেলপেমন্ট কম্মিটিনা কোভিদকী চৈথেং ফংলবা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা ইমুং ৪৩ রোমদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে হায়রি।

অম্মিক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :

মণিপুর মতম ঈশৈগী লেঙদ্রবা উজাও পামেলগুম লেপ্পীরম্বা অমদি মীওই কয়াগী থম্মোয়বু উরুম পীবীরম্বা তাবানু খুরাইজমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অপূনবা মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অম্মিক)না থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি। মণিপুর মতম ঈশৈগী শৈরেংবা অমা ওইনা অরংব থৱানমিচাক্লুম ঙানবীরম্বা ওজা অসিনা লৈখিদবদা মতম চুপ্পদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না অম্মিক্কী জেনরেল সেক্রেটরি এম ধনঞ্জয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাঙ পোৎলম য়েন্থোকপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক লৈরকপা চহী ৭ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা সেবা হি সংঘথনগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি নম্বোল মন্দলনা শীল্লগা নম্বোল এ সীগী মনুংদা কোভিদকী চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থবক ঙসি বি জে পি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী ইন-চার্জ অভে গিরি, বি জে পি মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর রিটায়ার্দ আই পি এস, টি ঐচ বসন্ত অমসুং বি জে পি নম্বোল মন্দলগী প্রসিদেন্ট সলাম ব্রজমনিনা হৌদোকখ্রে।

অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীনবা হোৎনমিন্নসি : রাধাকিশোর

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯গী অনীশুব ৱেভনা মণিপুরদসু নোংম-নোংমগী পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎলক্লি। ওইনাম এ সীগী ওইনসু খুল ১৪গী ইমুং ৭০ হেন্না পোজিটিভ ওইবা য়াওরক্লিবা অসিদা মীয়াম অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীনবা হোৎনমিন্নসি। কনাগুম্বশিংনা লায়না লাইওং উৎলকপা মতমদা ইমুং-মনুংনা লোৎশিনবীদনা টেষ্ট তৌথোক্লগা পোজিটিভ ওইরম্লবদি কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর ওইনামদা থমদুনা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন লাক্কদবদগী কন্ননবা হোৎনসি হায়না ওইনাম এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন এল রাধাকিশোরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি জে পি ওইনাম মন্দলনা শীন্দুনা লৈবাক অসিদা বি জে পিনা চহী ৭ মপুং ফানা লৈঙাক্লকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপা সেবা হি সংঘথনগী থৌরমদা কোভিদ-১৯ লাম্থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মেদিকেল ষ্টাফশিং, গ্রাম পঞ্চায়ট লেভেলদা শেম্লিবা টাস্ক ফোর্সকী ভলন্টিয়রশিং অমদি প্রধানশিংদা পি পি ঈ, হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক, ওক্সিমিটর, হেন্দ গ্লোভ য়াওনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নবগী থৌরমদা এল রাধাকিশোরনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক্লা চহী ৭ মপুং ফারকপগা ঈরোয়ননা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী মীয়ামগী পুন্সি কনবা হায়বা ৱাখল্লোন্দা মীয়ামগীদমক অৱাৎ-অপা লৈহন্দনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা এ সী অসিদসু অৱাৎ-অপা লৈহন্দনবা থবক কয়া লৌখৎলি। লোয়ননা মথৌ তাবশিংদা তেংবাঙবগী থবক চথুরি। মীয়াম্নসু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা লৈঙাক্লা পীরিবা কোভিদ গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এস দি ও নম্বোল চন্দম বোবো, বি জে পি ওইনাম মন্দলগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মঙ্গি অমদি তোঙান তোঙানবা জি পিশিংগী প্রধানশিংসু শরুক য়াখি।

‘নাকল অনীমক্কী শাফগদবা মওংদা য়েংবীরগা অথুবদা লৈঙাক্কী ফিরেপ লৌদুনা ওর্দর অমা থোকপীয়ু’

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস):

মহৈরোয় লূপ তরুক্লা স্কুল ফীগী মতাংদা থল্লক্লিবা ৱাফম অসি য়াম্না খন্ননিংঙাই ওই। নাকল অনীমক্কী শাফগদবা মওংদা য়েংবীরগা অথুবদা লৈঙাক্কী ফিরেপ লৌদুনা ওর্দর অমা থোকপীয়ু হায়না য়ুনাইটেদ এসোসিএসন ওফ রেকগনাইজ স্কুলস ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল জয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯না তোঙান তোঙানবা সেক্তর খূদিংমক্তা অসুক্কী মতিক অৱা চৈথেং পীরি। চৈথেংশিং অসিগী মরক্তা এদ্যুকেসন সেক্তরদা পীরিবা অসিসু অচৌবা চৈথেং অমনি। মালেমসিগী চাউখৎপগী অচৌবা মচাক অমা ওইরিবা এদ্যুকেসন অসিনা পেরেলাইজ ওইখিবদা করি ওইরক্কনি হায়না অখঙ-অহৈ কয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোক্লরি। মালেমগী লৈবাক কয়ানা মাগী মাগী হৈজ-শিংজবা কয়াদা থোরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা এদ্যুকেসন পীদুনা জেনরেসন গেপ লৈতনবা হোৎনরি। মণিপুরদসু হৌখিবা কুমজা ২০২০গী অঙনবা শরুক্তগী ঙসি ফাওবা মহৈ-মশিন তম্বগী থবক থৌরম খূদিংমক চপ লেপ্পুনা মহৈরোয় কয়াগী এদ্যুকেসনদা চাউনা শিংনবা অমা ওইরি। চহীসিগী বোর্দ এগজাম কয়াসু তৌবা ঙমদনা মহৈরোয় কয়াগী পুন্সি তম্বা ঙমদনা লৈরি।

মহৈরোয় লূপ তরুক্লা হৌজিক হৌজিক লৈবাক্কী ফীভম য়েংলগা থল্লক্লিবা ৱাফম অসিবুদি তরাম্না ওকই। অদুবু পেন্দমিক অসিনা স্কুল খূদিংমক থোঙ লোন্দুনা ফিজিকেল ক্লাস তৌবা লেপ্পুনা লৈরি। গভর্ণমেন্টনা মে থা অসিমা সম্মর ভেকেসন লাউথোক্তুনা ফীভম ফগৎপা ঙাইদুনা লৈরি। অদুবু স্কুল খরদদি মহৈরোয়শিংগী খল্লগা ওনলাইন ক্লাস তৌদুনা তাকপী তম্বীবগী থবক চথুরি। ওনলাইন ক্লাস চথনবা হোৎনবদা স্কুলশিংনা ইক্বিপমেন্ট কয়া শীজিন্নবা অমদি ওজা তাকপী তম্বীগদবনা তঙাইফদনা স্কুলশিংনা মহৈরোয়শিংদগী ফী লৌদবা য়াদবগী মতাং লাকই। মতাং অসিদা স্কুলশিংগা লূপ অমদি মীয়ামগী মরক্তা অচৌবা ৱাখল্লোন খেন্নবা কয়া লাকই। অদুনা নাকল অনীমক্লা খেন্নরিবা ৱাখল কয়া অসি ফম্মিন্নদুনা নীংথিনা নৈনমিন্নবা অমদি খঙমিন্নবা মথৌ তাই। চিরবা মতম অসিদা ওনলাইন ক্লাস নীংথিনা তৌদুনা মহৈরোয়শিংদা এদ্যুকেসন পীরিবা স্কুলশিংবুসু লূপ অমদি মীয়াম্না মতেং অমসুং থৌনা পীবীয়ু। লৈঙাক্লসু চপ চাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবদি ওনলাইন ক্লাস নীংথিনা চথুরিবা স্কুলশিংগী ফী কল্লেক্সনগী মতাংসি লৈঙাক অমদি লূপশিংনা কন্সিদর তৌবীয়ু হায়না আপিল তৌজরি। লোয়ননা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামগী মতাংদা তং-তাবা অমা লাউথোক্তুনা লৈরিবা অসি লাউথোকপীদুনা এগজাম অনী অসি মায়োক্নগদৌরিবা মহৈরোয়শিংনা তংদু লৈতাদ্রিবসি অথুবদা কোকহনবীনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌজরি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

‘মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ লাকশিন্নবা হোৎনরি’

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ অসি লাকশিন্নবা কন্না হোৎনবগা লোয়ননা বি জে পিনা চহী ৭ এন দি এ লৈঙাক পায়বা মপুং ফারকপগী সেবা হি সংঘথনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা লুচিংবা বি জে পি সেকমাই মন্দলগা খুৎশম্নদুনা বি জে পি সেকমাই মন্দলগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ঐচ দিঙ্গোনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ লাকশিন্নবা হোৎনরিবা অসি মণিপুরদসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা ক্লব, মৈরা পায়বী, সী এস ওশিং, ডোক্তরশিং, হেল্থ ৱর্করশিং অমদি অতৈ ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংগা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯ অসি লাকশিন্নবা হোৎনরি। মসিদা মণিপুর মীয়াম্না লৈঙাক অসিবু সপোর্ট তৌবীয়ু হায়খি।

হন্দক অথুবদা মে ২৬তা লিক্যুইদ মেদিকেল ওক্সিজেন প্লান্ট অমা জেনিমসতা চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাখিবা অদুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তুম্বা চাবা খঙদনা হোস্পিটালনচিংবদা ওক্সিজেন ৱাৎহন্দনবা অমদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ অসিবু লাকশিন্নবা কন্না হোৎনরি হায়বগী খুদমনি। মরম অদুনা মীয়াম্নসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা হোৎনরিবা অসিবুসু থাগৎফম থোকই। অসিগুম্বা থৌগৎপীবা অসিনা লৈঙাক্লা হেন্না তুংদা থবক তৌরকপা ঙম্বগী থৌনা ওইগদৌরিবিনি। সেকমাই এ সীগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট জোন হেক লাউথোকপগা মফম অদুদা য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদ্রবা খুঞ্জাশিংদা চান-থক্নবা চেঙ, থাউ-থুম, হৱাইনচিংবা য়েল্লিবা অসি মখা তানা চথুখিগনি হায়রি। সেকমাই এ সীগী লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) হাংদোকপদা পূক্নিং থৌগৎলি। লোয়ননা মদুগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং এম এল এগী সাইটতগী অঙম্বা মতেং পাংখিগনি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ দিঙ্গোনা অচা-অথক, ফেস মাস্ক, সেনিটাইজরনচিংবা য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা সেকমাই এ সীগী অশা ৱর্করশিংদা ওক্সিমিটর অমদি ফেস সিল্ড য়েন্থোকখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :

ইষ্টর্ন এদ্যুকেসনল ক্লব, খুরাই অহোঙ্গৈ, থাংজম লৈকায়গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মোইরাংথেম শরতচন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী মেম্বর খূদিংমক্লা শরুক য়াদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মাস টেষ্টিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস):

সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী মখাদা কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবীনা শীন্দুনা পৌরাবীগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা খুঞ্জাশিং কোভিদ-১৯গী মাস টেষ্টিং পৌরাবী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাহেংবম জনমঞ্জয় মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মাস টেষ্টিং তৌখিবা অদুদা পৌরাবী, নুঙ্গোই, হুইদ্রোম, শওম্বুং, য়ৌরবুং, পুংদোংবম, পাঙ্গৈদগী মীওই কয়া টেষ্ট তৌখি। পাক শন্না ইমুং হুপ্পা মথং মথং পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী টাস্ক ফোর্স অসিনা অথুবদা টেষ্ট তৌনবা হোৎনখি। টেষ্ট অসি আর এ টিদা পাঙথোকখিবনি। মাস টেষ্টিং অসিদা মীওই ১০০ হেন্না টেষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা মীওই ৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। মাস টেষ্টিং অসি তৌননবা হায়জরুবসু সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টনা তেংবাঙবীরকখিবগীদমক্তসু টাস্ক ফোর্স অসিনা থাগৎচরি হায়রি।

সেবা হি সংঘথনগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস):

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা এন দি এ লৈঙাক অসিগী চহী ৭ মপুং ফারকপগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা চথরক্লিবা সেবা হি সংঘথন ২গী থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে।

বি জে পি ককচিং মন্দলনা শীন্দুনা ঙসি থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সশিংগী ওইবা কোভিদ-১৯গী এৱেয়র্নেসশিং পাঙথোকখ্রে অমসুং তেংবাঙশিংসু য়েন্থোকখ্রে। থৌরমশিং অদুদা ময়াংলম্বম রামেশ্বর, এম এল এ ককচিং এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সি, বি জে পি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট য়ু ইবোমচা অমদি বি জে পি ককচিং মন্দলগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শ্যামজাই অমসুং বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

ককচিং ৱার্দ নম্বর ৪, ককচিং চুম্নাং, ৱার্দ নম্বর ৬ ককচিং মোইরাংথেম লৈকায়গী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সশিং, ককচিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা কোয়না চৎতুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা ৱাখল তামিন্নবা অমসুং হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ গ্লোভশিংসু য়েন্থোকখি। এন দি এ লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু মীয়ামদা খঙহনখি।

থৌরমশিং অদুগা মরী লৈননা ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লসু লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবা থবক কয়া লৌখৎলি। মণিপুরগী মফম কয়াদা ওক্সিজেন প্লান্ট কয়া মথং মথং শেমগৎলক্লি, থৌবালগীসু শঙ্গারগনি। ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু ওক্সিজেন প্লান্ট অমা থম্ননবা থবকশিং লৌখৎপসু হৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কাউন্সীল্লরগী থৌসু পুরিবা স্পোক্সপর্সন ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী মীৎয়েং মখাদা বি জে পি ৱাংখেম মন্দলনা শীন্দুনা ঙসি সেবা হি সংঘথন ২গী মনুং চন্না এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা শোকহল্লবা মীওইশিং, কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা মীওইশিংদা চান-থক্নবা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং, ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং তেংবাঙ ওইনা পীখ্রে।

ৱাংখেম মন্দলগী মনুং চনবা চরাংপাৎতসু মফম অদুগী ক্লব ১৪দসু এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিদা হান্না কেন্দিদেট ওইখিবা চরাংপাৎতগী সোসল ৱর্কর কঙাবম জাদুমনিনা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজরশিং খুৎশিন্নখি। নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী মখা তাবা ওইনা এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী ক্লব খূদিংমক্তসু চৎতুনা মতেং পাংখিগনি হায়না কঙাবম জদুমনিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ৱাংখেম এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা চরাংপাৎতগী সোসল ৱর্কর খারিবম জীবননসু নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯বু লাম্থেংনদুনা লম্বীদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিংদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং মতেং পাংবগা লোয়ননা এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী ক্লবশিংদা অমদি লম্বীদা লাকপা মীওইশিংদসু ফেস মাস্কনচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। এন দি এ লৈঙাকনা চহী ৭ মপুং ফারকপা অসিগা মরী লৈননা এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা কেন্সর পেসেন্টশিংদসু মতেং পাংখিগনি হায়নসু খারিবম জীবননা ফোঙদোরক্লি।

লিলোং এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী ওইনসু বি জে পি লিলোং মন্দলনা শীন্দুনা এ সী অসিগী ভিলেজ ২১দা লৈরিবা কন্টেনমেন্ট জোনশিং অমদি য়ুম-য়ুমদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবশিংদা এ সী অসিদা হান্না বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইখিবা অনৱার হুসেননা লুচিংদুনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হৌখ্রে। অনৱার হুসেনগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মন্দল অসিগী প্রসিদেন্ট এম দি অহমদ আলিসু শরুক য়াখি।

হৈরোক এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদসু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট সেক্রেটরি কে ঐচ বসন্তগী লীচিং মখাদা ঙসি হৈরোক পার্ট থ্রী কবো লৈকায়গী অৱাবা তারবা ইমুং ১২দা ঙমজবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং, হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্কনচিংবা মতেং পাংখ্রে।

‘চেঙ কে জি ৫/৫ পীগদববদা কে জি ৩/৩ খক য়েল্লে’

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস):

লমশাং এ সীগী মফমশিংদা কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা ৱারবা মীয়ামদা মতেং ওইননবা লৈঙাক্লা পি এম জি কে ৱাইগী মখাদা নফসাগী কার্দ হোল্ডরশিংদা মীওই অমদা চেঙ কে জি ৫/৫ পীগদবদু শুপ্নতগী চেঙ কে জি ৩/৩ য়েল্লে। মসি এজেন্টনা তৌরিব্রা নৎত্রগা নোমিনিনা তৌরিব্রা হায়বসি মরী লৈনবশিংনা শেংদোকপীয়ু হায়না নোদর্ন য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এন য়ু সী ও)গী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ জেম্সন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চেঙ কে জি ৩/৩ য়েল্লিবশিংনা মখোয়না তৌরিবদু অচুম্বনি হায়বা লৈরগদি মীয়ামদা মরিক চুম্না শেংদোকপীয়ু। মমাঙদা লমশাং এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টরনা চেঙ কে জি ৫/৫ য়েল্লি হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি। অদুবু মিনিষ্টরনা হায়খিবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা চেঙ কে জি ৩/৩ য়েল্লিবা এজেন্ট, নোমিনিশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎপীয়ু। লোয়ননা অৱাৎপা চেঙশিং মীয়ামদা পুং ৪৮গী মনুংদা ফংহনবীয়ু হায়না এন য়ু সী ওগী মায়কৈদগী হায়জরি।

কোভিদকী পেন্দমিক মতম অসিদদি অসিগুম্বসি তৌবীরোইদবনি। এন য়ু সী ওনা মরম চাদনা চেঙ কে জি শুদনা মীয়ামদা য়েনবা অসিদা কমপ্রোমাইজ খক তৌরোই। চেন্নবশিং মীয়াম মমাঙদা অমুকোগা লোয়ননা খঙহনগনি অমদি লোগী ওইবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনগনি।

অমরোমদা, নফসাগী কার্দ হোল্ডরশিংনা আধার লিঙ্ক তৌদবগী মেম্বর মশীং ককথরক্তুনা চেঙ হন্থনা ফংবনি হায়রিবসি কনাগী অশোয়বনো। মরী লৈনবা লৈঙাক্কী এজেন্টশিংনা হান্না মাঙজৌননা নফসাগী কার্দকী মেম্বরশিংগী আধার জেরোক্স অমদি ফোটোনচিংবা খোমগৎখ্রবনি। অদুবু মতম চানা অপদেদ তৌরক্ত্রিবসি লিঙ্ক তৌবদা চহী কয়া চঙবনো। আধার লিঙ্ক তৌরবা অমদি তৌদ্রিবশিং অদু দোক্যুমেন্টকা লোয়ননা নুমীৎ নীনিগী মনুংদা এজেন্ট অমদি নোমিনিশিংনা মীয়ামদা থমগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

‘অৱাবা মায়োক্নরে’

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :

মণিপুরগী মফম কয়াদা নফসাগী য়েনফম থোকপা চেঙ মপুং ফানা পীবীদ্রে হায়না লাউনরিবা খোল্লাউ কয়া অসিগী মরক্তা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুংদা লৈবা ফ্যের প্রাইস সোপ ৯ হায়বদি সোপ নম্বর ৭০, ৭১, ৭২, ৭৩, ৭৪, ৭৫, ৭৬, ৭৭ অমসুং ৮০ না কোনবা মফমশিংদা লৈবা নফসাগী বেনিফিসরি কয়া পাক্তক্লনা ককখিবনা মরম ওইরগা নফসা অমসুং পি এম জি কে ৱাইগী মখাদা লৈঙাক্লা পীবা চেঙ ফংদদুনা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্নরে হায়না য়ুথ ফোর চেঞ্জ ক্ষেত্রিগাওগী কন্ভিনর এম দি মুজিবুর রহমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈকায় লৈকায়গী এজেন্টশিংনা মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিং হঞ্জিন হঞ্জিন খোমগৎখ্রবা মতুং অসিদা হৌজিক ৱানরবা মতম অসিদা আধার লিঙ্ক তৌদে হায়দুনা বেনিফিসরি কয়া ককথৎলগা চেঙ ফংহন্দ্রিবা অসি মীয়ামগী করি মরালনো। মীয়ামদগী খোমগৎখ্রবা দোক্যুমেন্টশিং এজেন্টশিংনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নদুনা অথুবা মতমদা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংহনগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মীয়াম্না অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি : সাপম কংলৈপাল

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস):

লম্লাই মায়কৈগী মীয়ামগী থম্মোয়দা মতম কয়াদগী হৌনা পাউখুম ফংদবা ৱাহং কয়ানা ওল্লগা চাক্লিবশিংগী মনুংদা জোব কার্দকী ৱাথোকসু য়াওরি। ৱাথোক অসিগী ৱাকৎ খূদিংমক তরাম্না ওক্কনি অমদি মীয়াম্না অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়না পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈনা ফোঙদোকখ্রে হায়না লম্লাই মপারী থৌগল লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এম জি এন আর ঈ জি এগী মখাদা মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইট তানবা অমদি ফংফম থোকপা খুৎশুমল ফংজবগী রাইট অদু লিশাং শিংনা মৎপীদুনা লাকপগুম মীয়ামগী থম্মোয়দা ফাওরি। হৌজিক লম্লাই মায়কৈদা ৱাথোক অসিগী মথি ফোংবা হৌরক্লে। ৱাথোক অসি মরুওইনা এম জি এন আর ঈ জি এগী ওইবা চৎন-কাঙলোনশিং অমদি মীয়াম্না ফংফম থোক্লিবা রাইট অদু মমুৎ তানা খঙহনবীদবনা মীয়ামগী থম্মোয়দা ওমচাক্লদুনা লৈবনি। জোব কার্দ হোল্ডর অমনা থবক শুজগে হায়খ্রবা মতুংদা নুমীৎ ১৫ নিফাওবগী মনুংদা থবক শুফম পীবীদবা থোক্লগদি জোব কার্দ হোল্ডর অদুনা অন-ইমপ্লোয়মেন্ট এল্লাওৱেন্স ফংজনবগী রাইট লৈ। জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা থবক পীবগী থৌদাংসি মরী লৈনবা মেম্বর, প্রধাননচিংবগীনি। মখোয়না থবক পীবা ঙমদ্রগদি এম জি এন আর ঈ জি এগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না থবক শুফম লৈত্রবা জোব কার্দ হোল্ডরশিং অদুনা অনইমপ্লোয়মেন্ট এল্লাওৱেন্স পীনবগী থৌদাং অদুসু মখোয়না লৌগদবনি।

নাকল অমরোমদা, থা অমগী মনুংদা অমুক্লক শুংশোয় শোয়দনা গ্রাম রোজগার দিৱস ৱার্দ খূদিংমক্তা পাঙথোক্তুনা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী থবক ফংজনবগী ৱাকৎ পীশিন্নবগী খুদোংচাবা পীগদবনি হায়বসি এম জি এন আর ঈ জি এগী চৎন-কাঙলোনদা ময়েক শেংনা পল্লি। লম্লাই মায়কৈগী গ্রাম পঞ্চায়ট মঙা হায়বদি তখেল সঞ্জেনবম গ্রাম পঞ্চায়ট, শওম্বুং, পুংদোংবম, নোঙ্গ্রেন চিংনুংখোক অমদি তেল্লৌচনা সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়টকী লৈরিবা মীয়াম্না হায়রিবা গ্রাম রোজগার দিৱস পাঙথোকপ্রা নৎত্রগা পাঙথোক্তবরা হায়বসি ময়েক শেংনা নৈনদুনা অচুম-অরান খঙমিন্নবা মতম য়ৌরে। জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী ফংফম থোকপা রাইট ফংনবা হোৎনজরিবশিংগী মচিল মেন্নবা হোৎনবা মানবা থৌওং খরসু উবা ফংই। থৌওং অসি কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই। জোব কার্দকী মতাংদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা মীয়াম হুপ্পা থেংনমিন্নসি। ৱাকৎ খূদিংমক তরাম্না ওক্কনি হায়না পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ খূদিংমক লম্লাই মপারী থৌগল লূপতা অথুবা মতমদা পীশিনবীয়ু। ঙসি খম থেংনা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎনা চৈথেং পীদুনা মীয়াম কোক্তা খুৎ হাপ্নরবা মীকুপসিদা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং মৎপা হায়বসি লম্লাই মপারী থৌগল লূপ অসিনসু তরাইনা লৌদে। লম্লাই মপারী থৌগল লূপনা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌগনি। মেম্বরগীনি নৎত্রগা ওফিসলগীনি হায়দুনা শেল ককপা য়ারোই। জোব কার্দকা মরী লৈননা মীয়ামগী ৱাকৎ লৈরগদি লম্লাই মপারী থৌগল লূপতা পাউ ফাওবীরকউ হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নিলাপদ্মা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা অথুবদা সী ঐচ আই সী হাংদোক্তুনা মীয়ামগী পুন্সি কনবীয়ু : এ এস এস সী দি সী

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস):

ঙরাং সেকমাই এ সীগী মনুংদা লৈবা তোঙানবা ক্লব ১৩না মিদিয়াদা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না সেকমাই এ সীদা লৈরিবা ক্লব ১৩না নিলপদ্ম হায়র সেকেন্দরি স্কুল, অৱাং সেকমাইদা এ সী অসিগী কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) হাংবদা য়ানীংদে হায়রিবা অসি করিসু অকায়বা লৈতে। এ সী অসিগী খুদোংচাগদবা মফম অমদা হায়বদি খুরখুল সদার পাতেল হায় স্কুল, লাইরেনকাবী, ফয়েং, ফুমলৌ, কংলাতোম্বীগী এরিয়া অমদা হেক্তা হাংবদা করিসু অকায়বা লৈতে। তৌবতদি এ সী অসিগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা এপ্রুভ তৌরবা মতুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সীনা থা অসিগী ৭তা থোকখিবা ওর্দর অমদা পনখিবা নিলপদ্ম হায়র সেকেন্দরি স্কুল অথুবদা সি ঐচ আই সী অসি হাংদোক্তুনা মমল য়াম্লবা এ সী অসিগী মীয়ামগী পুন্সি কনবীয়ু হায়না অৱাং সেকমাই সেদ্যুল্ড কাষ্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এ এস এস সী দি সী)না আপীল তৌরক্লি।

হৌজিকমক্কী ওইনা সেকমাই এরিয়াদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশিং ২০০ হেল্লে অমদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মশিংসু ৬ শুখিদুনা এ সী অসিগী মনুংদা কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী শোকহল্লবা এরিয়া অসি অৱাং সেকমাইনা ওইরি। অসিগুম্বা খ্বাইদগী শোকহল্লবা এরিয়া অমসু ওইরিবা অৱাং সেকমাইদা সী ঐচ আই সী অসি অথুবদা হাংবীয়ু হায়না এ সীগী এম এল এ অমদি মণিপুরগী সী এম এন বিরেনগী পূক্নিং চিংশিনখিবনি।

অসুক য়াম্না লুরবা তাঞ্জা অসিদা মিদিয়াদা হায়বা ৱা অমনা তানদবগী মওংদা অৱায় অখুম তৌনদুনা অরেম্বদা মতম মাঙহন্দুনা হেন্না ফিভম শোকচিল্লক্কদবদগী কলহৌনবগীদমক জুন ২ ফাওবগী মনুংদা এ সীসিগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গো অমদি কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট কম্মিটি, অৱাং সেকমাইগী মরু ওইবা থৌবুরোইশিং তানবীরগা খ্বাইদগী ফরে, মফম চারে হায়না খনবীবা মফম অমদা অথুবদা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী, হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমদি মণিপুর লৈঙাক খঙনা হাংদোকপীয়ু।

অৱাং সেকমাই সেদ্যুল্ড কাষ্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি অৱাং সেকমাইগী মীয়ামগী অপাম্বদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী অৱাবা নংলিবা কোভিদ পেসেন্টশিংবু সী ঐচ আই সীদা নীংথিনা আইসোলেসন তৌরগা মশা-মঔ ফৱগা ময়ুম ময়ূমদা হলহনখিবা অসিনি।

হীরমসিগী মতাংদা ঙরাং এম এল এ ঐচ দিঙ্গোগী প্রো না মিদিয়াদা থাদোকপা চেরোল অমদা ‘কনাগুম্বশিংনা লৈকায় লৈকায়দা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংবীনিংবা লৈরগদি মরী লৈনবা চে-চাংশিং থাজিনবীরকউ, এম এল এগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংজগনি’ হায়না ফোঙদোরকপসি লাইবক থিবনি। মসিগী মহুক্তা লৈঙাক্লা থোকখিবা ওর্দর অদুবু ইকায় খুম্নবা উৎপা অমদি মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা অথুবদা সী ঐচ আই সী হাংদোক্লগনি হায়না ফোঙদোকহন্নিংই হায়খি।

নাকল অমরোমদা, অৱাং সেকমাইদা লৈবা নিল্লপদ্ম হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসি এ সী অসিগী ওইনা খ্বাইদগী মতাইদা লৈবা মফম্নি। মরমসিনা এ সী অসিগী মফম চাবা অমদা সী ঐচ আই সী হাংবীয়ু হায়না ক্লব ১৩না মিদিয়াদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অসি এ এস এস সী দি সী অমদি সেকমাই মীয়াম্না তরাম্না ওকই। অদুবু ৱাফম অসিগী মতাংদা হায়জ নিংবদি ক্লব ১৩ অসিনসু অঙম্বা মতেং পাংশিনবীদুনা এম এল এ ঐচ দিঙ্গোগী মীৎয়েং মখাদা অথুবদা সী ঐচ আই সী অসি এ সী অসিগী মফম অমদা হেক্তা হাংদোক্লবা হোৎনবীয়ু। করিগুম্বা কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমদি এম এল এগী মায়কৈদগী সী ঐচ আই সী অসি হাংনবা হোৎনবদা অৱাং সেকমাই সেদ্যুল্ড কাষ্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটি, সেকমাইগী মীয়াম, ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংদা মতেং পাংশিন্নবা হায়বীরকপা নৎত্রগনা পাউ পীবিরকপা তারগদি ঐখোয়সু অঙম্বা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈ হায়রি।

অৱাং সেকমাইদা তমথিরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা নোংমা নোংমগী অশি-অনা হেনগৎলক্লিবা অসিবু কনমিন্নহৌসি। এ সী অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি অতৈ সী এস ওশিংনসু হীরমসিদা হকচিন্না লৌবীদুনা থবক ওইনা পাঙথোকমিন্নসি, ঐখোয়না অমনা অমদা হুন্নদুনা থবক্তা থিন্থহনগুমসি হায়রি।